**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-05-2025)**

**অভিয়ান (এল) ঃ** ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ান মনিপুরগী ওইনা ঙসি রাজ্য সভা সদস্য-মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা হৌদোক্লগনি।

আই.সি.এ.আর. রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর নোর্থ হর্ষ্টন হিল রিজন মনিপুর সেন্টর, লমফেলপাৎ ইম্ফাল অমসুং রাজ্য অসিদা লৈরিবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা থৌরম অসি লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আরগী লোক্তাক ফামরস হোষ্টেলদা হাংদোক্কনি।

থৌরমদুদা হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসনগী কম্মিস্নার-টি. পামৈ, আই.সি.এ.আর. রিজনেল সেন্টরগী হেদ-ডা: সি.ঐচ. বাসুদা দেবীনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমদুদা মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা কেম্পেইন টিমগী খোঙচৎ হৌদোক্কনি।

**নোংঃ** ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা, মনিপুর, নাগালেন্দ, অসাম, মিজোরাম, ত্রিপুরা, মেঘালয়, করনাতক, তামিল নাদু অমসুং পুদুচেরিগী মফম কয়াদা ঙসি অকনবা নোং চুরগনি হায়রি। অৰাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ তরুকনি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ্পদগী অকনবা নোং চুগনি।

খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোংনা মনিপুরদসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদগী ময়াই ওইরপ নোং চুরে। নোং তাবা অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী অকুৎপা মফম কয়া থুমজিল্লে। ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী সেনিয়ার সাইন্টিষ্ট- কে.অম্বেদকরনা হায়-রাজ্য অসিগী খা থংবা শরুকশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা হায়-অরুনাচল প্রদেস, উরিষ্যা, তেলঙ্গানা, নোংচুপ

বেঙ্গোল অমসুং সিক্কিমগী মফম কয়াদসু অকনবা নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি নোংপোক অমসুং খা ভারতকী মফম কয়াদসু নোং চুগনি।

মিজোরাম সরকারগী দিজাস্তর মেনেজমেন্ট এন্দ রিহেব্লিটেসন বিভাগনা থোকপা চেরোল অমসুং ইন্দিয়ান মেট বিভাগ রিজনেল সেন্টর গুৱাহাতি অমসুং মেতিওরোলোজিকেল সেন্টর-আইজোলনা মিজোরামগী মফম কয়াদা নুংশিৎ অমসুং অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। থৌরাং অসিগী য়েংলগা চেকশিন থৌরাং ওইনা মিজোরামগী মফমশিংদা লৈবা স্কুলশিং ঙসি ছুতি থাদোকখ্রে।

**কাউন্সিল (এল)ঃ** ১০ শুবা রাজ্য থাক্কী এক্কারিয়ম ইগজিবিসন কম ফ্লৱার সো, ঙসিদগী দি.এম. য়ুনিভরসিতি কেম্পসতা লৈবা মনিপুর সাইন্স এক্কারিয়মদা হৌরগনি।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল (মাস্টেক) অমসুং এক্কারিয়ম এন্দ ফ্লোরি কলচর ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংনা পুন্না শিনবা থৌরমদা সাইন্স এন্দ টেকে ালোজিগী জোইন্ট সেক্রেটরি-শ্রীমতি চিঙাখম সচি, সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী দাইরেক্তর-শ্রীমতি হোমিলা হোংবৈ অমসুং মাস্টেক্কী দাইরেক্তর-ডা: কে.ঐচ. রাকেশ শরুক য়াগনি।

নুমিৎ তরেৎনি চথুগদবা ইগজিবিসন অসিদা লমদম অসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং অমসুং লৈশিং উৎকনি। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, লমদম অসিগী বাইও দাইভরসিতিগী মতাংদা মীয়ামব্ হেন্না ভাব তাহনদুনা মহৌশাদগী লৈরক্লগা পান্বী অমসুং ঙা মখলশিং য়োকখৎতুনা থম বা অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংবু ঙা অমসুং লৈ থানবগী পুকিং থৌগৎনবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৌত্রুক খুনৌ লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী

মীওই অমা ফারে। মহাক মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্টশিংদা হায়-চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাইরেনকাবী তেরা উরক পলিদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা শেমদোক্লবা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোর্ট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অহুম, ইনসাস রাইফলগী মরু, ৱয়ারলেস সেট, টিয়ার গ্যাস সেল, রবর বুল্লেট, বুল্লেট প্রুব জেকেট অমদি কেমো ফ্লেক্সকী ফিরোলশিং ফংলে হায়রি। অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলম পুবা গাড়ি ১২৩ পুশিল্লকখ্রে। হায়ৱেশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা গাড়িশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি থমদুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা হোৎনরি।

**পিএম ঃ** রাজ্য মরিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি সিক্কিমদা থুংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য মরি অসিগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৭০ রোমগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং যাত্রা হুনগনি।

মহাক্কী অহানবা খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রিনা সিক্কিমদা, সিক্কিম এদ দা রেট ফিফতিদা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা রাজ্য অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গানি অমসুং যাত্রা হুনগনি অমদি মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংগনি। মহাকা নামচি জিলাদা লুপা কোতি ৭৫০ চংনা পায়খৎপা ফমুং ৫০০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল, গীয়াল সিংহ জিলাদা পেসেঞ্জর রোপ ৱে, গেংতোক্তা অতল বিহারি ভাজপায়গী মীতম অমা মায়খুম হাংদোক্কনি। শ্রী মোদিনা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী চহি ৫০ শুবা কুমওনগা মরা লৈননা শেলয়েক অমসু পুথোক্কনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলদা চৎকনি। মহাকা আলিপুরদুৱার

অমসুং কুচ বিহারদা সিটি গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোজেক্টকী যাত্রা হুনগনি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১,০১০ চংনা পায়খৎকনি। মদুগী তুংদা, বিহারদা চৎতুনা পাটনা ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টারমিনেল বিল্ডিং শঙ্গাগনি। হয়েং প্রধান মন্ত্রিনা বিহারগী করাকটতা লুপা কোতি লিশিং ৪৮,৫২০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং যাত্রা হুনগনি। মহাকা মীয়ামগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি। মদুগী ত্ংদা, প্রধান মন্ত্রি উত্তর প্রদেসতা চৎতুনা কানপুর নাগরদা লুপা কোতি লিশিং ২০,৯০০ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং যাত্রা হুনগনি। মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংগনি।

**দেলিগেসনঃ** কংগ্রেস সদস্য-সাসি থারুনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং পানামাগী রাস্ত্রপতি-জোর্স রাওল মুলিনোগা রাস্ত্রপতি ভবনদা উন্নখ্রে।

পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্টকী থৌওংশিংগী মতাংদা খঙহন্ননবা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নবগী শরুক্কী খোঙচৎ অমা ওইনা সাসি থারুনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অসিনা পানামাগী রাস্ত্রপতিগী উন্নখিবনি। মহাকা পানামাগী মপান থৌরম মন্ত্রিগসু উন্নদুনা ওপরেসন সিন্ধুরদা শিখ্রবা টেরোরিষ্টশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা পাকিস্তান লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখিবা অদুগী ফোটোশিং উৎখি।

দি.এম.কেগী লুচিংবী কানিমোরি করুনানিধিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবুনা হ দক্তা গ্রীসতা চৎলুবা অদুগী মতাংদা ঙমখৈ ৱাংমদগী চখ্রকখিবা টেরোরিজমগী থবক থৌওংনা ভারত্তা কয়া য়ামা খুদোংচাদবা মায়োকহনবগে হায়বদু পাউদমখি।

**য়ুপিএসসি ঃ** য়ুনিয়ন পব্লিক কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি) না অনৌবা ওন লাইন এপ্লিকেসন পোরটেল হাংদোক্লে। মসিগী খুৎথাংদা ফোর্মশিং রেজিষ্ট্রেসন অমসুং মেনশিনবা য়ারগনি।

য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষাশিংগী নোটিশ হেক থোরকপগা কেন্দ্র দদেটশিংনা পোরটেল অসিগী খুথাংদা ফোমশিং মেনশিনবা য়ারগনি। থৌরাং অসিনা অরোইবা পুংজা ফাওবদা কোইচেন চেন্নবগী থৌওং খরদং ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্লগনি।

চেরোল অমদা য়ু.পি.এস.সিনা হায়- এপ্লিকানশিংনা মখোয় মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং নৌনা পুথোক্লবা পোরটেল অসিদা অপলোট তৌবা য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সরকার শেমবা এম.এল.এ. তরানা গভনর উন্নবগী পাউ, গ্বালতাবী থৌদোক অচুম্বা ৱাফম খঙহন্ননবা এম.পি.সি.সিনা আর.টি.আই. থাখিবগী পাউ অমসুং কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোক ফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থোদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং তমেংলোং টাইমস পাউচেশিং অসিদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

সরকার শেমবা এম.এল.এ. তরানা গভনর উন্নখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা রুল্লিংগী এম.এল.এশিংনা গভনর উন্নখ্রে। সরকার শেমহনবীনবা তকশিনখ্রে হায়না ফোংলি। সেন্টরগীদি মনিপুরগী প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকপা পামদ্রি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী মনিপুর অমসুং ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গ্বালতাবী থৌদোক হায় কোর্টতা পি.আই.এল. থারক্লে, পাউখুম পীনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ২৭ শুবা মৈরা পায়বী নুমিৎ

পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ডাক্তর-সিলারমনিনা মৈরা পায়বী উরক্লরোইদ্রা মীপায়বা ফাওরে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখিবগী পাউসু পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনামহি লাইনিং চৎপা মরিং ফুরুপ, কবুই অমদি মীতৈ পুল্লগা মথং চহিগী শজিবু নোংমা পানবদা পুন্না চৈরাউগনি হায়না ফ্নাল মরিং খুলগী ইবুধৌ ফুনাল নিংথৌ তেলহৈবগী লাই শিলুংবা এ. মোরুং মরিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মীয়ামগীদমক তুরেল খোঙনুং শেংলিঙৈদা ফত্ত-হৌদি ময়াম পৈশিনদুনা থল্লল্লে হায়বা পাউ, হুইনে লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গ্বালতাবীদা পাউমীশিংবু অয়েৎ অপন পীরকখিবগী মতাংদা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

দাইরেক্তোরেট ওফ রিভিনিয়ু ইন্টিলিজেন্সনা হেরোইন পাউদর ফারে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দি.সিনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা পি.এম. জনমন অমসুং পি.এম. দাজগুৱা স্কিমশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা ফোংলি।

এম.এল.এ. তরানা সরকার শেমবা গভনরগা উন্নখিবগী পাউ অসি গানফিয়ু মেলদা এম.এল.এ. তরানা সরকার শেমবা গভনরগা উন্নখ্রে। এম.এল.এ. ৪০ হেনবনা সরকার শেন্বা অসিদা সপোর্ট তৌরি হায়না ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।